

# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, MONDAY, NOVEMBER 06, 2017 PAGE 7


*মহারাষ্ট্রগী ঔরঙ্গবাদ সিটিদা সৌরাষ্ট্রগা শান্নখিবা দোমেষ্টিক ক্রিকেট মেটচ অমদা মুম্বাইগী মায়কৈদগী বোল ১৬৩ দা রন ২০২ লৌবা ঙমখিবী মশাগী চহী ১৬ শুরবী জেমিমা রোড্রিগেজ*

*ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকখিবা পেনাসোনিক ওপন গোল্ফ ওপনগী টাইটল লৌবা ঙমদুনা অহানবা মরমদমদা পাঙথোকপা এসিয়ান টুর টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী গোল্ফর সিব কাপুর*



## লাইশ্রম সরিতা অমসুং সোনিয়া লাথর এসিয়ান বোক্সিংগী সেমিফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে

*হো চি মিন সিটি, নবেম্বর ০৫ঃ*

মালেমগী নুপীগী বোক্সিংদা মমিং লৈরবী ইন্দিয়াগী বোক্সর মণিপুরী মচা লাইশ্রম সরিতা দেবী ভিএটনামনা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোক্লিবা এসিয়ান ৱুমেন্স বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী বোক্সর সেনিয়া লাথর মখোয়–মখোয়গী ক্বার্টর ফাইনেল বাউট মায়পাক্কুনা সেমিফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবগা লোয়ননা চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা মেডল অমদি শুংসোই সোইদনা ফংলগনি।

ঙসি পাঙথোকখিবা ক্বার্টর ফাইনেল বাউটকী কেজি ৬৪গী কেটোগেরিদা ৱার্ল্ড বোক্সিংদা সিলভর মেডল ফংবা ঙমখ্রবী লাইশ্র সরিতা দেবীনা উজ বেকিষ্টানগী বোক্সর মাফটুনাকোন মেলিএভাগা লম্বা তৌনবদা হৌবদগী হৌনা মহাক্কী লম্বা অদুবু ফিভম কায়হন্দুনা পোইন্ট হেনবা ঙমখি।

বাউট অদুগী হৌরকপদা লাইশ্রম সরিতানা এটেক্ট চথবগী চাং য়াম্না হেনখি। উজবেকিষ্টানগী বোক্সর মেলিএভাগী মায়কৈদগী এটেক্ট চথবা ঙমখিদবা অদুনা মরম ওইরগা সরিতানা খুদোং চাবা লৌবা হেনখিবনি।

অনীশুবা রাউন্দদা সরিতাগী য়াম্না ফজবা এটেক্ট অমদা কিন মরী–মরী থিঞ্জিন্দুনা বাউট অদুবু কন্দক্ট তৌখিবা রেফরিনা উজ বেকিষ্টানগী বোক্সর মেলিএভাবু ষ্টেন্দিং কাউন্টতা পোইন্ট ৮ থিখি। অদুবু মেলিএভা মখাতানা শান্নবা ঙম্লত্তুনা বাউট মখা চত্থখি।

অরোইবা অমদি অহুমশুবা রাউন্দদা উজবেকিষ্টানগী বোক্সর মাফটুনাখোন মেলিএভানা অহৌবা রাউন্দ অনীদা শোত্থখিবা পোইন্টশিং ফুকৎনবা য়াম্না কন্না হোৎনরসু সরিতা দেবীনা বোক্সিং রিং অদুবু য়াম্না ফজনা শিজিন্নদুনা হেনখিবা পোইন্টশিং মপুং ফানা ঙাক শেন্দুনা লৈখিবদগী বাউট অদু মহাক্না ঙমদুনা সেমিফাইনেল য়ৌখিবনি।

ঙসি পাঙথোকখিবা কেজি ৫৭কী লম্বা অমদা ইন্দিয়াগী সোনিয়া লাথরনা কজাকিষ্টানগী বোক্সর নাজিম ইশানোভাগী মায়কৈদগী য়াম্না অকনবা লম্বা থেংনখি। সোনিয়া লাথরনা অহানবা রাউন্দদা নাজিম ইশানোভাগী মায়কৈদা অহেনবা এটেক্ট চথবা ঙমখি। অদুবু পোইন্ট মপুং ফানা ফংবা ঙমখিদে।

লম্বা মান্ননা লৈনরক্লসু এটেক্ট তৌবগী চাং সোনিয়া লাথরনা হেনখিদুনা শুপ্নগী পোইন্ট অমখক হেল্লগা সেমিফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। সোনিয়া লাথরনা মমাংগী চহীদা সিলৱর মেডল ফংবা ঙমখি।

নিংশিংবা য়াবদি ইন্দিয়াগী এম সি মেরি কোম (৪৮), প্রিয়াঙ্কা (৬০) অমদি সিক্ষা (৫৪) ঙরাং সেমিফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রবনি। অমরোমদা ঙসি পাঙথোকখিবা কেজি ৫১গী কাং লূপ্তা ইন্দিয়াগী নিরজ চাইনিজ টাইপেগী বোক্সর শোল মি পাঙগা অকনবা লম্বা তৌনরগা মায়থিদুনা সেমিফাইনেল য়ৌবা ঙমখিদে।



*এসিয়ান ৱুমেন্স বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপকী সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রবী ইন্দিয়াগী বোক্সর সরিতা দেবী*

## ৱুমেন্স এসিয়া কপ হোক্কিদা ইন্দিয়ানা চাইনা মায়থিবা পীদুনা টাইটল ফংখ্রে, ৱার্ল্ড কপ ক্বালিফাই ওইখ্রে

*কাকিমিগাহারা, নবেম্বর ০৫ঃ*

জপানননা য়ুম্বু ওইরগা লৈবাক অদুগী সিটি ককিমিগাহারাদা পাঙথোকপা ৱুমেন্স এসিয়া কপ হোক্কি টুর্নামেন্ট ২০১৭কী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা ইন্দিয়ানা চাইনাবু সদ্দন দেথতা পাঞ্জল ৫–৪দা থোইদুনা টাইটল লৌবা ঙমখিবগা লোয়ননা কুমজা ২০১৮গী হোক্কি ৱার্ল্ড কপকীদমক য়াম্না ফজবা মওংদা এসিয়ান চেম্পিয়ন ওইরগা ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রে।

ইন্দিয়ানা টাইটল অসি চহী ১৩গী মতুংদা ঙসি অহানবা ওইনা ফংবা ঙমখিবনি। পনবা য়াবদি ইন্দিয়ানা টাইটল অসি কুমজা ২০০৪দা অহানবা ওইনা লৌবা ঙমখিবনি।

ঙসিগী ফাইনেল মেটচ অদু হেক হৌরকপগা ইন্দিয়াগী মায়কৈদা চাইনানা থুনা শান্নবগী শুপ্নগী মিনট ২ চং শিল্লকপদা পেনাল্টি কোর্নর অমা পীথোকখি। য়াম্না লুরবা তাঞ্জা অদুদা ইন্দিয়াগী গোলকিপ্পর য়াম্না চেকশিন্না শান্নদুনা চাইনাগী মায়কৈদগী য়ৈশিল্লকপা বোল অদু ঙাকথোকপা ঙমখি। লোয়ননা মনাক নক্না লৈখিবা ইন্দিয়াগী দিপ গ্রেসনা বোল অদু অশোয় অঙাম য়াওদনা য়ৈথোকপা ঙমখি।

চাইনানা য়াম্না ঙন্না পাঞ্জল চল্লম্বা য়াবা খুদোংচাবা অমা ঙাকথোকপা ঙমখ্রবা মতুং ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংগী মায়কৈদগী টিম অমা ওইবগী য়াম্না চুশিন্নবা মওংদা শান্নবা হৌরকখি।

মেটচকী অহানবা ক্বার্টর লোয়শিল্লপদা টিম অনীম্মক পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখি। অনীশুবা ক্বার্টর হেক হৌরকপগা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী খুদোংচাবা অমা ফংখি। অদুবু নবজোট কোরনা ফিল্ড গোল অমা ওইরম্বা য়াবা তাঞ্জা অমা মাংজখি।

মেটচ অদুগী ২৫শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোই নভনিট কোর অমসুং রানিনা পুশিনমিন্নরকখিবা বোল অমা চাইনাগী পেনাল্টি এরিয়া য়ৌশিল্লকখি। খুদোংচাবা অদু নভনিট কোরনা ফিল্ড গোল ওন্থোক্তুনা ইন্দিয়ানা চাইনাবু অহানবা হাল্ফ অদু লোয়শিল্লকপদা পাঞ্জল ১–০দা মাংজিল থাদুনা চৎখি।

পাঞ্জল অমা শোত্থরবা চাইনানা কাউন্টর এটেক্ট কয়া চত্থদুনা ইক্বেলাইজর অদু ফংননবা লাক্করকখি। ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী দিফেন্দরশিংনা মখোয়গী মথৌদাং অদু নিংথিনা পাঙথোকপা ঙমখিবদগী মেটচ অদুগী ৩শুবা ক্বার্টর লোয়শিন্দুনা মরীশুবা অমদি অরোইবা ক্বার্টর শান্নবা হৌরকখি।

ক্বার্টর অদু হেক হৌরকপগা চাইননা ভিদিও রেফরেল অমদগী মায়পাক্তুনা ফংখিবা পেনাল্টি কোর্নর অমা টিম অদুগী টিনটিয়ান লুনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ফাইনেল মেটচ অদুদা লৈবাক অনীম্মক পাঞ্জল ১–১দা লৈনখি।

মরিশুবা ক্বার্টরগী শান্নবা লোয়শিল্লকপদা পাঞ্জল মান্নদুনা লৈনখিবদগী টুর্নামেন্ট অদুগী চৎন–রপথাপকী মতুং ইন্না পেনাল্টি সুটআউটতা মখা তানা লম্বা তৌনখি।

টিম অনীম্মক পাঞ্জল ৪–৪দা পেনাল্টি সুটআউট অদু মান্নদুনা লৈখিবদগী সদ্দন দেথতা সোট অমমম য়ৈনবদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী কেপ্টেন রানিনা পাঞ্জল ওন্থোকখি। অদুবু চাইনাগী মায়কৈদগী সোট অদু পাঞ্জল ওইবা ঙমখিদবদগী ইন্দিয়ানা টাইটল অদু লৌবা ঙমখিবনি।



*এসিয়া ৱুমেন্স হোক্কি টুর্নামেন্ট ২০১৭ কী টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী হোক্কি শান্নরোই*

## স্পেনগী লা লীগাদা বার্সেলোনা অমদি গিরোনা মায় পাকখ্রে, ইংলেন্দগী ইংলিস প্রেমিয়র লীগতা টোটেনহাম হোটস্পরনা ক্রিষ্টেল পেলেস ১–০ দা থোইখ্রে

*মাদ্রিদ। লন্দন, নবেম্বর ০৫ঃ*

স্পেনগী মকোক থোংবা ক্লবশিংগী ওইবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা লা লীগা ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ১১শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচশিংদা বার্সেলোনা অমসুং গিরোনা মায় পাকখ্রে, ইংলেন্দগী ইংলিস প্রেমিয়র লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ১১শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা টোটেনহাম হোটস্পরনা ক্রিষ্টেল পেলেস পাঞ্জল ১–০ দা থোইখ্রে।

লা লীগা ফুটবোল টুর্নামেন্টকী পোইন্ট টেবলগী মকোক্তা লৈরিবা বার্সেলোনা ঙসি সিভিলাগা শান্নখিবা ১১শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অদু হৌরকপদা টিম অনীগী মায়কৈদগী য়াম্না লম্বা মান্ননা শান্নরকখি। শান্নবগী অহানবা হাল্ফকী মিনট ২০ লোইশিনখ্রবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা হাপচিনবা ঙম্নদনা লৈখি।

শান্নবগী ২৩শুবা মিনটতা বার্সেলোনাগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা ফ্রান্সিস্কো এলকাসরনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা সিভিলাবু ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি। অহানবা হাল্ফকী লেমহৌবা মতম অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী বার্সেলোনানা মাঙজিল থাদুনা অদুমক লৈবা ঙমখি।

শান্নবগী অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা পাঞ্জল অমা শোত্থরবা সিভিলাগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোক্লবা কন্না হোৎনদুনা বার্সেলোনাগী মায়কৈদা বোল হেন্না পুশিন্দুনা শান্নরকখি।

শান্নবগী ৫৯শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা শোত্থরিবা সিভিলাগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা গুইদো পিজারোনা ইক্বেলাইজর অদু চন্দুনা টিম অনীমক য়াম্না লম্বা মান্নবা মওংদা লৈখি।

টিম অনীনা মখা তানা শান্নরকপদা শান্নবগী ৬৫শুবা মিনটতা বার্সেলোনাগী এটেক অমদা টিম অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা ফ্রান্সিস্কো এলকাসরনা পাঞ্জল অমা হাপচিল্লবা মতুং মখা তাবা মেটচকী লেমহৌবা মতম অদুদা অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী মেটচ অদু বার্সেলোনানা সিভিলাবু পাঞ্জল ২–১ দা থোইখি।

লা লীগাগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা ১১শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা গিরোনানা লিভান্টে পাঞ্জল ২–১ দা থোইবা ঙমখি।

গিরোনা অমদি লেভান্টেনা শান্নখিবা মেটচ অদু য়াম্না লম্বা মান্নখিবা মরম্না অহানবা হাল্ফ লোইশিল্লবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা হাপচিনবা ঙম্নখিদে।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপা শান্নবগী ৫৮শুবা মিনটতা গিরোনাগী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা বোর্জা গার্সিয়ানা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

মখা তানা টিম অনীনা এটেক তৌদুনা শান্নরকপদা শান্নবগী ৮৩শুবা মিনটতা গিরোনাগী কৃষ্টিয়ান ষ্টৌনিনা পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা লিভান্টেবু ২–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

পাঞ্জল অনী শোত্থরবা লিভান্টেগী শান্নরোইশিংনা কন্না হোৎনদুনা শান্নবগী অরোইবা মিনটতা ইনেস উনালনা পাঞ্জল অমা হন্দোক্লগা মেটচ অদু গিরোনানা লিভান্টেবু পাঞ্জল ২–১ দা থোইবা ঙমখি।

লন্দনদা লৈবা ৱেমব্লে ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী ১১শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা টোটেনহাম হোটস্পরনা ক্রিষ্টেল পেলেসপু পাঞ্জল ১–০ দা থোইদুনা পোইন্ট ২৩ য়ৌবদগী অহুমশুবা পোজিসনদা লৈবা ঙম্লি।

মেটচ অদুগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু টোটেনহাম হোটস্পরগী মায়কৈদা শরুক য়ারিবা সাউথ কোরিয়া মচা হিয়ুং মিন সোননা শান্নবগী ৬৪শুবা মিনটতা চনখিবনি।



*বার্সেলোনাগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অনী চনখিবা ফ্রান্সিস্কো অলকাসরনা সিভিলাগী মায়োক্তা পাঞ্জল চনখিবা মতাং*

## চহী ১৯ মখাগী এএফসি চেম্পিয়ন্সিপ ক্বালিফায়িংদা ইন্দিয়াগী টিম সাউদি অরাবিয়ানা ৫–০ দা থোইখ্রে

*দমাম, নবেম্বর ০৫ঃ*

মথং চহীদা ইন্দোনেসিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা চহী ১৯ মখাগী এসিয়ান ফুটবোল কনফিদরেসন (এএফসি) চেম্পিয়ন্সিপকী তোঙান–তোঙানবা এসিয়াগী লৈবাক ১০ না য়ুম্বু ওইরগা পুন্না টিম ৪৩ না শান্নরিবা ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্টকী গ্রুপ (দি) গী ঙসি য়ুম্বু ওইখিবা সাউদি অরাবিয়াগী টিম্না ইন্দিয়াগী টিম্বু পাঞ্জল ৫–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

হন্দক্তা লোইশিনখিবা চহী ১৭ মখাগী ফিফা ৱার্ল্ড কপ্তা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী শান্নরোই কয়া অমা য়াওরি। ঙসিগী মেটচ অদুদা হায়রিবা ৱার্ল্ড কপ অদুদা শরুক য়াখিবা মণিপুরদগী হৌখিবা শান্নরোই অহুম প্লেয়িং এলভেনদা য়াওখি।

সাউদি অরাবিয়াগী মায়কৈদগী ঙন্না এটেক চথবা হৌদুনা ইন্দিয়াগী মিড ফিল্ডরশিংবু শোয়ননবা হোৎনরকখি। ৯শুবা মিনটতা য়ুম্বু টিম অদুগী মায়কৈদগী চত্থরকখিবা এটেক অমবু ইন্দিয়াগী নম্বর ৱান গোল কিপর ওইরিবা মোইরাথেম ধিরজ সিংহনা ঙাকথোকপা ঙমখি।

দমামদা লৈবা প্রিন্স মোহমদ বিন ফাহাদ ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা অদুগী ১৫শুবা মিনটতা সাউদি অরাবিয়াগী মায়কৈদগী অব্দুলা অলামদাননা মেটচকী অহানবাপাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী কাউন্টর এটেকশিংদা কন্না মীৎয়েং থমদুনা ইক্বেলাইজর ফংনবা হোৎনখিবা অদু সাউদি অরাবিয়াগী দিফেন্দরশিংনা নীংথিনা ঙাক শেনখিবদগী য়ুম্বু লৈবাক অদুগী গোল মাউট য়ৌবা ঙমদনা অৱাবা ওইখি।

অহানবা হাল্ফকী পুংখায় অমরোমগী মতম অদুদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দাকপা ঙমখিদ্রবসু সাউদি অরাবিয়াগী এটেকশিং অদু ঙাকথোক্তুনা লৈবা ঙমখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপদা সাউদি অরাবিয়াগী এটেক মগুন লৈখি। টিম অদুগী ষ্ট্রাইকর ফেরাজ অলব্রিকাননা ৫০শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চল্লগা ইন্দিয়াবু ২–০ দা মাঙজিল থাখি। শান্নবগী অরোইবা মিনট ১০ ফাওবা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা পাঞ্জল মশিং য়ামদনবা হোৎনখি। শান্নবগী ৭৫শুবা মিনটতা সাউদি অরাবিয়াগী অব্দুলাজিস নাসিরনা পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা ৩–০ দা ইন্দিয়াবু মাঙজিল থাখিবনি।

মেটচকী ৫০শুবা মিনটতা পাঞ্জল চনবা ঙমখ্রবা ফেরাজ অলব্রিকাননা ৮১অমসুং ৮৬শুবা মিনটতা মতম ইকান কান্নদনা পাঞ্জল অনী থংন–থংননা চনশিন্দুনা হেটট্রিক ফংবগা লোয়ননা ইন্দিয়াবু ৫–০ দা সাউদি অরাবিয়ানা মায়থিবা পীখি।

গ্রুপ (দি) দা ইন্দিয়ানা অনীশুবা মেটচ অদু হয়েং য়েমেনগা শান্নগনি। অদুগা অরোইবা লীগ মেটচ অদু নবেম্বর ৮ দা টুর্কমেনিষ্টানগা লম্বা তৌনগদৌরি।

## ইন্দিয়াগী ভর্ধান অমসুং বালাজিনা সেনঝেন টাইটল লৌখ্রে

*সেনঝেন, নবেম্বর ০৫ঃ*

চাইনাগী সেনঝেনদা পাঙথোকপা চেলেঞ্জর টেন্নিস টুর্নামেন্টকী দবলসকী টাইটল অদু ইন্দিয়াগী পেয়র ভিষ্ণু ভর্ধান অমসুং এম স্রিরাম বালাজিনা লৌখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা দবলসকী ফাইনেল মেটচ অদুদা ৪শুবা সিদেদ পেয়র ওইরিবা য়ুএসএগী ওষ্টিন ক্রাইজেক অমসুং জেক্সন ৱিথ্রোবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমদা ৭–৬(৭–৩), ৭–৬(৭–৩) দা থোইদুনা য়ুএসএ দোলর ৭৫,০০০ লৈবা টুর্নামেন্ট অদুগী টাইটল লৌবা ঙমখিবনি।

টুর্নামেন্ট অদুদা ইন্দিয়াগী পেয়র অদুনা রেঙ্কিং পোইন্ট ৯০ ফংখি। পনবা য়াবদি ইন্দিয়াগী পেয়র অসিনা টিম ওইরগা সেংদু অমদি ফর্গনাদা পাঙথোকখিবা চেলেঞ্জর টাইটলসু লৌবা ঙমখিবনি।

অমরোমদা ভর্ধাননা অতোপ্পা শান্নরোইগা পেয়র ওইদুনা টর্কিগী অন্টানাদা পাঙথোকখিবা চেলেঞ্জর টাইটল অমসু লৌবা ঙমখিবনি।

বিষ্ণু ভর্ধান হৌজিক–হৌজিক ৱার্ল্ড রেঙ্কিংদা ১৩৪শুবা পোজিসনদা লৈরি। হয়েং নৌনা থোরক্কদবা লিষ্টতা ভর্ধাননা শুংশোয় শোয়দনা চহী অসিগী ওগষ্ট থাদা ১২৩ শুবা পোজিসনদা লৈরম্বা অদুদগী হাইগৎপা ঙমগদৌরি।

অমরোমদা ঝু হাইদা পাঙথোকপা চেলেঞ্জর টুর্নামেন্ট অমদা ইন্দিয়াগী য়ুকি ভাম্ব্রি নুপাগী সিঙ্গলস সেমি ফাইনেলদা চেম্পিয়ন ওইখিবা রুশিয়াগী ইভগেনি দোনস্কোইগী মখুত্তা ৩–৬, ৫–৭ দা মায়থিহৌখি।

## রোলেক্স পেরিস মাষ্টর্স টেন্নিস টুর্নামেন্টকী সিঙ্গলস টাইটল য়ুএসকী জেক সোকনা লৌখ্রে, দবলসকী টাইটলনা পোলেন্দগী কুবোট অমদি ব্রাজিলগী মেলোনা ফংখ্রে

*পেরিস, নবেম্বর ০৫ঃ*

ফ্রান্সকী কোনুং পেরিসতা চত্থরকখিবা রোলেক্স পেরিস মাষ্টর্স টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল অদু য়ুএসএগী জেক সোকনা লৌখ্রে। অদুগা দবলসকী টাইটল অদুনা পোলেন্দগী লুকাস কুবোট অমদি ব্রাজিলগী মার্সেলো মেলোনা ফংখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১৬শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইখিবা য়ুএসএগী জেক সোকনা ঙসি শান্নখিবা সিঙ্গলস ফাইনেলদা সর্ভিয়াগী ফিলিপ ক্রাজিনোভিসপু সেট ২–১ দা মায়থিবা পীখি।

অহানবা সেট অদু সর্ভিয়াগী ক্রাজিনোভিসনা ৭–৫ দা জেক সোকপু থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি। অদুবু অনীশুবা সেট অদুদা য়ুএসএগী জেক সোককী মায়কৈদগী য়াম্না ফজনা শান্নবা ঙমখিবদগী ক্রাজিনোভিসকী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৪ দা থোইদুনা শান্নরোই অনীমক সেট অমমম মান্নদুনা লৈখি।

অরোইবা অমদি দিসাইদিং সেট অদুদা য়ুএসএগী জেক সোককী মায়কৈদগী য়াম্না ফজবা মশান্না উত্তুনা শান্নরকপদগী ক্রাজিনোভিসকী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬–১ দা থোইদুনা নুপাগী সিঙ্গলসকী টাইটল অদু লৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসকী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেলদা অনীশুবা সিদেদ পোলেন্দগী লুকাস কুবোট অমদি ব্রাজিলগী মার্সেলো মেলোগী পেয়রনা ক্রোএসিয়াগী ইভান দোগিগ অমদি স্পেনগী মার্সেল গ্রানোল্লর্সপু ৭–৬(৭–৩), ৩–৬, ১০–৬ তা থোইদুনা টাইটল লৌবা ঙমখি।

অহানবা সেট কুবোট অমদি মেলোনা থোইদুনা মাঙজিল থাখি। অদুগা অনীশুবা সেট অদুদা দোগিগ অমসুং গ্রানোল্লর্সকী মায়কৈদগী য়াম্না ফজনা শান্নরক্তুনা কুবোট অমদি মেলোগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৩ দা থোইখি। অরোইবা অমদি দিসাইদিং সেট অদুদা কুবোট অমদি মেলোগী মায়কৈদগী য়াম্না ফজনা শান্নরক্তুনা ১০–৬ তা থোইদুনা টাইটল ফংখিবনি।

